# ইন্দোনেসিয়াগী পেসেঞ্জর প্লেন অমা কায়খ্রে, পেসেঞ্জর ৬২ গী মরাইবক খঙবা ঙমদ্রি

জকার্টা, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

দোমেষ্টিক ফ্লাইট অমদা থাংজ নুমিত্তা ইন্দোনেসিয়াগী কেপিটেল জাকার্টাদগী মীওই ৬২ তোংলগা পাইখৎখিবা শ্রীৱিজায়া এয়র প্লেন অমা মিনিট খরগী মনুংদা সমুদ্রদা কাইখিবগা লোয়ননা প্লেন অদুদা তোংখিবশিং অদু করি ওইরমগদগে হায়বা খঙদনা লৈরি।

জকার্টাদগী ৱেষ্ট কালিমান্টামগী পোনিটয়ানাক তম্না পায়রিবা বোইং ৭৩৭-৫০০ প্লেন অদু লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ২.৩০ গী মতুংদা ইকান কান্নদনা রনৱেদগী পাইখৎখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা রাদর স্ক্রিনদগী মাংখি। নোং কন্না চুবদগী প্লেন অদু সেদ্যুল মতমদগী মিনিট ৩০ চোন্থরগা পাইখৎখিবনি। ইন্দোনেসিয়াগী ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর বুদি করিয়ানা পাউজী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবদা, ফ্লাইট এস জে ১৮২ দা তোংলিবা মীওই ৬২ দুগী মনুংদা ক্রু ১২ য়াওরি। দেটিক দোট কোম ৱেবসাইটনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা প্লেন অদু এয়রপোর্টতগী কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্পা লকি ঈথৎ মনাক্তা কায়খি।

রেস্ক্যু এজেন্সি বাসরনাসকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না শ্রীৱিজায়া এয়র এস জে ১৮২ কাইখ্রবা মতুংদা ভিক্টিমশিং থিবদা মতেং পাংনবা এজেন্সি অসিনা থৌজন্দ আইলেন্দস এরিয়াদা টিম অমা থারগনি। ইন্দোনেসিয়াগী ট্রান্সপোর্ট সেফটি কম্মিটিগী মতুং ইন্না প্লেন অদুদা তোংলিবা মীওই খুদিংমক ইন্দোনেসিয়ন ঙাক্তনি।



ইন্দোনেসিয়াগী নেভিনা মাঙখ্রবা এয়রক্রাফট অদুগী মফম লেপখিবগা লোয়নননা মফম অদুদা জ হাজশিং থাজিনখ্রে। প্লেন অদুদা তোংলিবশিংগী মরাইবক করি ওইরমগদগে হায়বা ঙমদে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। ইন্দোনেসিয়ন এয়র লাইন শ্রীৱিজায়া এয়র চীফ এগজিক্যুটিভ জেফর্সন ইর্ৱিন জৌৱেনানা প্লেন অদু পাইদ্রিঙৈদা ফীভম ফনা লৈখি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

চহী ২৭ রোম শুরবা বোইং ৭৩৭-৫০০ অদু কুমজা ২০১৮ গী অথেংবা শরুক্তা জকার্টা মনাক্তা কাইখিবা বোইংগী প্রোব্লেম লৈবা মোদেল ৭৩৭ এম এ এক্সতগী লীবা হেল্লি। লাইওন এয়র ফ্লাইটতা তোংলিবা মীওই ১৮৯ মক ক্রাস অদুদা শিখিবনি। ট্রেকিং সার্ভিস ফ্লাইট রাদর ২৪ না ফোঙদোকখিবদা বোইং জেট অদু লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ২.৩৬ তাবদা লৈমায়দগী পাইখৎখিবা অমসুং মিনিট মরিগী মনুংদা ফুট ১০,৯০০ ৱাংনা পাইখৎখি। মদুগী মতুংদা য়ুংনা পাইথরকখি অমসুং সেকেন্দ ২১ লৈরগা দেটা ট্রান্সমিসন লেপখি।

# কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা জর্নেলিষ্ট ৬০০ হেন্না শিখ্রেঃ রিপোর্ট

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মালেম শিনথুংনা মীশি মীনা কয়া থোকহল্লে। কুমজা ২০২০ গী থা তরা হেনবগী মনুংদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা লৈবাক ৫৯ দা জর্নেলিষ্ট ৬০০ হেন্না শিখ্রে হায়না স্বিটজরলেন্দদা বেজ তৌবা ইন্টরনেস্নেল মীদিয়া ৱাটচদোগ অমা ওইরিবা প্রেস এমব্লেম কেম্পেইন (পি ঈ সী) না ফোঙদোকখ্রে।

পি ঈ বিনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০২০ গী মার্চ ১ দগী কোভিদ-১৯ না নাদুনা শিখিবা জর্নেলিষ্ট ৬০২ গী মনুংদা লেটিন অমেরিকাদা তঙ্খাই অমা হেন্না শিখি। লমদম অসিদা শিখিবা জর্নেলিষ্ট মশীং পুন্না ৩০৩ নি হায়রি।

লেটিন অমেরিকাগী মথংদা এসিয়ানা অনীশুবনি। কন্টিনেন্ট অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা জর্নেলিষ্ট ১৪৫ শিখ্রে। য়ুরোপতা লায়না অসিনা শিহনখিবা জর্নেলিষ্ট মশীং ৯৪ নি অমসুং নোর্থ অমেরিকা অমদি অফ্রিকাদনা মথংশিংনা জর্নেলিষ্ট ৩২ অমসুং ২৮ শিহনখ্রে। মখোয়গী শিনফম অসিনা মরম ওইদুনা ফিল্ডদা থোক্তুনা লায়না অসিগা মরী লৈনবা পাউ লৌরিবা জর্নেলিষ্টশিং কোরোনা ভাইরস ইনফেক্সনগী রিস্ক ৱাংই। জর্নেলিষ্ট খরা মরু ওইনা ফ্রীলেন্সরশিং



অমসুং ফোটোগ্রাফরশিং য়ুমদা লৈরগা থবক তৌবা য়াদে হায়না পি ঈ সীগী সেক্রেটরি জেনরেল ব্লাইজ লেম্পেননা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহীগী মার্চতগী হৌজিক ফাওবা জর্নেলিষ্ট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা লৈবাক্তি পেরুনি। কোরোনা ভাইরসনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মীদিয়াগী মীওই ৯৩ শিখি। কোভিদ-১৯ না ব্রাজিলদা জর্নেলিষ্ট ৫৫ শিহনখি অমসুং ইন্দিয়াদা জর্নেলিষ্ট ৫৩ শিহনখি। মেক্সিকোদা হৌজিক ফাওবদা জর্নেলিষ্ট ৪৫ শিখ্রে। ইক্কাদোর, ৱাংলাদেশ, ইটালি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা জর্নেলিষ্ট মশীং মথংশিংনা ৪২,৪১, ৩৭ অমসুং ৩১ শুরে।

পাকিষ্টানদা কোরোনা ভাইরসনা জর্নেলিষ্ট ২২ শিহনখ্রে। অফঘানিষ্টান, দোমিনিকান রিপব্লিক, নাইজেরিয়া, অমসুং রশিয়াদা জর্নেলিষ্ট ৮/৮ শিখি। অর্জেন্টিনা, কলম্বীয়া অমসুং হোন্দুরসতা জর্নেলিষ্ট ৭/৭, নিকারাগুৱা, স্পেন অমসুং টর্কিদা জর্নেলিষ্ট ১৭/১৭ শিখি। য়ুনাইটেদ কিংদমদা পুন্না জর্নেলিষ্ট ১৩ শিখি। পানামাদা ১১, বোলিভিয়াদা ৯, ভেনিজ্যুএলাদা ৬, ফ্রান্সতা ৫ শিখি। জর্নেলিষ্ট অহুম শিখিবা লৈবাকশিংনা নেপাল, কেম্মরুন, ইজিপ্ট, গুৱাতেমালা, ইরান, সালভাদোর, সাউথ আফ্রিকা অমসুং জিম্বাবৱেনি। অলজেরিয়া, ইন্দোনেসিয়া, মোরোক্কো, পারাগুয়ে, পোর্টুগেল অমসুং স্বিদেনদা জর্নেলিষ্ট ২/২ শিখি। হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা জর্নেলিষ্ট অমা শিখিবা লৈবাক কয়াসু লৈরি।

# সাউথ কোরিয়াগী কোর্টকী ওর্দর টৌকিওনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

লাল মতমগী ব্রোথেলশিংদা নমদুনা থবক তৌহনখিবা কোরিয়ন নুপী ১২ দা কম্পেন্সেসন পীনবা ইরাই নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী কোর্ট অমনা জপানদা ওর্দর তৌখিবদা টোকিওগী মায়কৈদগী থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা মদুনা লৈবাক অনীগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক্কী উংখৎনবা হেনগৎহল্লক্কনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

জপাননা কুমজা ১৯১০ দগী ৪৫ ফাওবা কোরিয়ন পেনিন্সুলাবু লোয়লম ওইনা লৈঙাকখিবগী থৌদোক কয়ানা হৌজিক নাকল অনীগী মরক্তা নিংঙাই শংদাইনবগী মরমশিং ওইদুনা লৈরি। লালদা হিংহৌবা জপানগী ব্রোথেলশিংদা নমদুনা থবক তৌহনখিবা কোরিয়ন নুপী কয়ানা টোকিওগী মায়কৈদগী এপোলোজাইজ তৌরক্লবা অমসুং মখোয়দা কম্পেন্সেসন পীননবা দিমান্দ তৌখি।

জপাননা হায়রি মদুদি ইশ্যু অদু লৈবাক অনীগী দিপ্লোমেটিক মরী মহৌশাগী ফীভমদা লাকহনখিবা কুমজা ১৯৬৫ দা খুৎয়েক পীনখিবা ট্রিটি অমগী মখাদা লৈখায় তানখ্রে অমসুং কুমজা ২০১৫ গী দিল অমদা লৈবাক অনীনা য়েৎনবা ৱাফম অদু মতম চুপ্পগী ওইনা হৌদোক্লন্দবা হায়না য়ানখ্রে।

তৌইগুম্বসুং পেক্তশিং অদু নুপীশিং অদুগী কম্পেন্সেসন তানবা য়াবগী হককা মরী লৈনদে হায়রদুনা লৱার কোর্ট অমা ওইরিবা সিওল সেন্ট্রেল দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা ভিক্টিম নুপী খুদিংমক্তা ৱোন মিল্লিয়ন ১০০ (দোল্লর ৯১,০০০) পীননবা ওর্দর তৌখি। জপাননা কোর্টকী ওর্দর অদু য়াবা ঙম্লোই অমসুং লোসুট অদু লেপকদবনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা ফোঙদোকখি।

চীফ কেবিনেট সেক্রেটরি কাটসুনোবু কাটোনা ৱায়েল অদু য়াফম থোক্তে হায়না পল্লদুনা সিওলদা মদুগী মায়োক্তা চান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখি। ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর টাকিও অকিবনা সাউথ কোরিয়াগী অম্বেসেদর নাম গৱান-প্যো কৌখত্তুনা খ্বাইদগী কনবা মওংদা ৱায়েল অদুবু প্রোটেষ্ট তৌখি।

অম্বেসেদর নামগী মায়কৈদগী রুলিং অদুনা নাকল অনীগী মরীদা অকায়বা থোকহন্দনবা হোৎনগনি হায়না থাজবা পীখি। সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা কুমজা ২০১৫ গী পেষ্ট অদু ফোর্মেল এগ্রিমেন্ট অমনি হায়না শকখঙলবসু কোর্টকী রুলিং অদু ঈকায়খুম্নে হায়খি। রুলিং অদুনা দিপ্লোমেটিক্কী মরিদা পীরকপা য়াবা চৈথেংশিংগী মতাংদা য়েংশিনবগা লোয়নননা লৈবাক অনীনা মখা তানা মতেং পাংনবদা অয়েৎ-অপন পীহন্দনবা হোৎনগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

লোয়লম লৈঙাক লৈরিঙৈ মতমদুদা কোরিয়ন নুপী ২০০,০০০ ব্রোথেলশিংদা নমদুনা থবক তৌহনখি হায়না হিষ্টোরিয়ন খরনা পানরি।

# ইজরেলনা নুমিৎ ১০ নি মোস্ক থিংজিন্নবা লৌখিবা ৱারেপ পলেষ্টাইননা কন্দেম তৌখ্রে



বামালাহ, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

ৱেষ্ট বেঙ্ককী খা থংবা সিটি হেব্রোনদা মমাংঙৈদগী লৈরক্লবা ইব্রাহিম মোস্ক নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা থিংজিন্নবা ইজরেলনা ৱারেপ অমা লৌখিববু পলেষ্টিনিয়ন ওথোরিটিশিংনা কন্দেম তৌখ্রে।

পলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মাহমৌদ অজাসকী রিলিজস এফেয়র্স অমসুং ইস্লামিক রিলেসন্সকা মরী লৈনবা এদভাইজর মাহমৌদ অল হাজমনা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি মদুদি, ইজরেলনা মোস্ক থিংজিল্লিবসি ক্রাইম অমনি। মুস্লিমশিংবু মোস্ক অদুদা লাই খুরুম্বা ফঙহন্দবা অসিনা মালেমগী মুস্লিমশিংগী ৱাখলদা মখল মখা কয়াগী ৱাখল পোকহনগনি। মসি অল ৱাকফ দিপার্টমেন্টকী পৱারদা খুৎ থিংজিল্লকপা অমনি। লাইনিং লাইশোনগী শেংলবা মফমশিং মরু ওইনা পালিষ্টিনিয়ন টেরিটরিশিংদা লৈরিবশিং পালেষ্টিনিয়ন অল ৱাকফনা পান্নে।

হেব্রোনদা কোরোনা ভাইরস শন্দারকপা থিংনবা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংশিংগী শরুক ওইনা জ্যুৱিস ষ্টেটকী ওথোরিটিশিংনা মোস্ক অদু নুমিৎ ১০ নি থিংজিন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়না মমাংদা ইজরেলি মীদিয়ানা ফোঙদোকখ্রবনি।

ইব্রাহিম মোস্ককী দিরেক্টর হেফজি অবু স্নাইনেহনা ফোঙদোকখিবদা লাই খুরুম্লিবা মীওইশিং অমসুং ভিজিটরশিংনা মাস্ক উপ্পা অমসুং সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকপনচিংবা হেল্থ অমসুং সেফটি প্রোটেকোলশিং ঙাকপনা মোস্ক থিংজিন্নবা ইজরেলনা পীরিবা মরম অদু চুমদে। কেভ ওফ দ পেট্রিয়ার্কস হায়নসু খঙনবা ইব্রাহিম মোস্ক অসি পরিং ওইনা লৈবা শুরুংশিংনি। মমাংঙৈগী লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা টেক্সশিংগী মতুং ইন্না শুরুংশিং অদু অব্রাহমনা লৈরোন চনফম ওইনা লৈখি। শুরুংগী মথক্তা লৈবা খরা চাওবা রেক্টেঙ্গল সেপকী এনক্লোজর অমা ১২ শুবা চহী চাদা মন ইব্রাহিমি মোস্ক ওস্তোকখি। ইজরেলনা কুমজা ১৯৬৭ তা সাইট অদু লৌশিন্দুনা মদুদা সিনাগোস অমগা মোস্ক অমগা লৈহনখি।

# ভেক্সিন ঙাইহন্নবা দব্লিউ ঐচ ওনা আপীল তৌখ্রে

জিনেভা, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

অনেম্বা অমসুং ময়াই ওইরপ্না ইনাকখুনবা লৈবাকশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং ফঙদবগী ময়েক শেংলবা প্রোব্লেম অমা লৈরে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মকোকনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং ভেক্সিন মেন্যুফেকচররশিংনা বাইলেটরেল দিলশিং খুৎয়েক পীনবা লেপ্লবা মালেমগী লৈবাকশিংদা আপীল তৌখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা শারিবা ভেক্সিন দোজ অয়াম্বা ইনাকখুনবা লৈবাকশিংনা ফঙলি দব্লিউ ঐচ ওগী দিরেক্টর জেনরেল টেদ্রোস অধানোম ঘেব্রেয়েমসনা জিনিভাদা পাঙথোকপা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ভেক্সিন নেস্নেলিজমগী মতাংদা অকনবা ৱাহে ৱাতাশিং শীজিন্নদুনা হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, লৈবাক অমত্তা অতৈদগী তোঙানবা নত্তে। অদুনা লৈবাকশিংনা ভেক্সিনগীদমক্তা ঙাইনগদবনি। ক্যু থদৎপগী থৌওং চত্থরোইদবনি। লৈবাক কয়ানা ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রামশিং হৌনখ্রবসু লৈবাক খরদি ভেক্সিন ফঙদনা লৈরি।

# মপানগী কম্পনিশিংনা ইরানিয়নশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রে

দুবাই, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

মপানগী কম্পনিশিংনা ইরানগী মীয়ামদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা য়াহল্লোই হায়না ইরানিয়ন প্রসিদেন্ট হসন রৌহানিনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস অমসুং বৃটেনদগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং পুশিল্লকপদা ইরানগী সুপ্রিম লিদরনা অথিংবা থমখিবা মতুংদা রৌহানিনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। ফোরেন কম্পনিশিংনা ঐখোয়দা ভেক্সিনশিং পীবা পাম্লিবসি মখোয়গী ভেক্সিনশিংদু ইরানগী মীয়ামদা টেষ্ট তৌনবগীদমক্তনি। তৌইগুম্বসুং হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা মদু থিংলে হায়না রৌহানিনা কম্পনিশিং অদুগী মমিং পন্দনা নত্রগা মখা তাবা অকুপ্পশিং পন্দনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি মদুদি ঐখোয়গী মীয়াম অসি ভেক্সিন শারিবা কম্পনিশিংগী ভেক্সিন টেষ্ট তৌবগী দিভাইস ওইহনবা য়ারোই। ঐখোয়না মীয়ামদা খুদোংথিনিঙাই ওইদবা মপানগী ভেক্সিনশিং লৈগনি।

ইরানগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী ওথোরিটি ওইরিবা সুপ্রিম লিদর অয়াটোলাহ অলি খামেনৈনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা অমদা য়ু এস অমসুং বৃটেন থাজনিঙাই ওইদে অমসুং মখোয়না অতৈ লৈবাকশিংদা লায়না শন্দোক্লবা হোৎনরি হায়খি।

ইরাননা থাজনিঙাই ওইবা অতৈ মফমশিংদগী ভেক্সিনশিং লৌবা য়াই হায়না অকুপ্পশিং পন্দবীদা মহাক্না ফোঙদোকখি। কোরোনা ভাইরসনা খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা মিদল ইষ্টকী লৈবাক ইরানগা খ্বাইদগী নক্লবা ভেক্সিন পীবা ঙম্বা মীচং লৈবাকশিংদি চাইনা অমসুং রশিয়ানি।

খামেনৈনা ৱাফমশিং অসি ট্বিটর অমদা হঞ্জিন হঞ্জিন্না পনবদগী ট্বিটর অদু প্লেটফোর্ম অসিগী রুলশিং খোঙ্গাওনৈ হায়রদুনা লৌথোকখি। ইরাননা মশানা শাজবা কোভিদ-১৯ ভেকিসন কেন্দিদেট হৌখিবা থাগী অথেংবা শরুক্তা মীওইবদা চাংয়েং চত্থবা হৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলদগী তোকপগা লোয়নননা ইরানগী মায়োক্তা অমুক হন্না শেল থুমগী অথিংবশিং থমজিনখিবদগী ৱাশিংটন অমসুং টেহরানগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

# দেনমার্ক লৈঙাক্না ফোরেন ট্রাভেল খুদিংমক অথিংবা থমখ্রে

কোপনহেগেন, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

দেনমার্ককী খ্বাইদগী নৌবা লম চত্থোক চৎশিন তৌবগী গাইদলাইনশিংদা ওথোরিটিশিংনা সিক্যুরিটি লেভেল রেত ৱাংখৎহনখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী সিটিজিনশিংনা মপানদা চত্থোক চৎশিন তৌদনবা পাউতাক পীখিবগা লোয়নননা মপানদগী চঙলকপদা হেন্না কনবা অথিংবশিং থমখ্রে।

জন্যুৱারী ৮ দগী জন্যুৱারী ১৭ ফাওবদা মালেম পুম্বগী ওইনা ট্রাভেল গাইদলাইনশিং ওরেঞ্জদগী রেদতা ওন্থোক্তুনা তঙাই ফদবশিংগী ওইনা চত্থোক চৎশিন তৌবা য়াহল্লম্বদু হৌজিক্তি অসিগুম্বা খোঙচৎ অমত্তা চত্তনবা খঙহল্লি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফেয়র্সনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

জোইন্ট প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা দেনিস ফোরেন মিনিষ্টর জেপ্পে কোফোফনা হায়খি মদুদি চত্থোক চৎশিন তৌবদা হেন্না কনবা অথিংবশিং থল্লিবদু মীয়ামদা ভেক্সিন কাপ্পদা খুদোং চাগদবা ফীভম লাকহন্নবগীদমক্তনি। জষ্টিস মিনিষ্টর নিক হেক্কেরুপনা হায়খি, মপানদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক মরম ইচা চাদনা দেনমার্কতা চঙলকপদা অথিংবা লৈরগনি। মপানগী লাক্লিবশিং অদু লৈবাক অসিদা থুংদ্রিঙৈ মমাংগী পুং ২৪ গী মনুংদা পাংথোকপা কোভিদ-১৯ টেষ্ট নেগেটিভ ওইখি হায়না উৎপা চঙগনি। অনৌবা রুলশিং অসি য়ু কে অমসুং সাউথ অফ্রিকাদা হেন্না লৌনগনবা কোরোনা ভাইরস ষ্ট্রেনশিং থেংনখিবা মতুংদা লৈবাক অনী অসিদগী লাকপা মীওইশিং চঙলকপদা থমখিবা অথিংবশিং অদুগী মথক্তা চৎনগদৌরিবনি। দেনমার্ককী ষ্টাটেন্স সেরম ইন্সটিট্যুটনা ইরাই নুমিত্তা অনৌবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন ১,৬৬০ অমসুং লায়না অসিগী মীশিং ৩০ রিপোর্ট তৌখি।

# চাইনানা দব্লিউ ঐচ ওগী কোভিদ প্রোব কম্মিটিগা থবক তৌমিন্নবা শেম শারে




বৈজিং, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

নোভেল কোরোনা ভাইরসকী হৌরকফমগী মরমদা থিজিনগদৌরিবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) গী এক্সপার্ট টিম অমা ওক্লনবা চাইনানা শেম শারে হায়না থাংজ নুমিত্তা বৈজিংদা সিনিয়র হেল্থ ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেস্নেল হেল্থ কম্মিসনগী মকোক জেন য়িসিননা প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খি, চাইনা অমসুং দব্লিউ ঐচ ওনা ভিদিও কনফরেন্স মরিগী খুত্থাংদা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী অকক্লবা এরেঞ্জমেন্টশিংগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লে। চাইনিজ এক্সপার্টশিংনা দব্লিউ ঐচ ওগী লেংমান্নবশিং থুংলবা ঙাইরি।

দব্লিউ ঐচ ওগী এক্সপার্টশিংনা মখোয়গী প্রোসিজরশিং লোইদুনা সেদ্যুল ফাইনেলাইজ তৌবগা ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবগীদমক চাইনিজ এক্সপার্টশিংনা মখোয়গা লোয়নননা ভাইরস অসি হৌরকখিবা ৱুহানদা চৎকনি।

দব্লিউ ঐচ ওনা থিজিনগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা লৈরিবা চাইনাগী ফিরেপতি থিজিনবদুদা মতেং পাংবা অমকপা অমত্তা লৈহনদবা অসিনি। পুন্না হোৎনমিন্নবনা ভাইরস অসিগী মরমদা হেন্না খঙবা ঙমহনবগা লোয়নননা তুংদা লৌনগনবা লায়নাশিং হেন্না নিংথিনা থিংবা ঙমহনগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

চাইনানা টিম অমা চঙহল্লক্ত্রে হায়না দব্লিউ ঐচ ওনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা ক্লেম তৌখিবা মতুংদা জেংনা ৱাফম অসি লাউথোরকখিবনি।

মালেমগী বোদি অসিনা ফোঙদোকখিবদা, টিম অদুগী মেম্বর অনী লম্বীদা লৈরে। প্রোব্লেমদি ভিজা ক্লিয়ারেন্স পীরক্তবা অসিনি। মেম্বর অনী লম্বীদা লৈখ্রবা মতুং অরোইবা পুংজাদা অতৈ মেম্বরশিং চৎপা ঙমদবগী ফীভম অমা লৈহল্লিবা চাইনাগী থৌওং অসি নীংবা কায়নিঙাইহনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা দব্লিউ ঐচ ওগী দিরেক্টর জেনরেল টিদ্রোস অধানোম ঘেব্রেয়েসসনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা হৌজিক ফাওবা টিম মেম্বরশিং থুংনবগী অয়াবা পীদবদগী ফীভম অসি লাকপনি। দব্লিউ ঐচ ওগী দিরেক্টর জেনরেলগী ৱাফম অসিগী পাউখুম ওইনা বৈজিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱা চুঞ্জিংনা বি বি সীদা ফোঙদোকখিকবদা অমগা অমগা ৱাখল তানদবগী ফীভম অমা লৈরম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং মসিদা কা হেন্না খঞ্জিন্নিঙাই ওইদে।

দব্লিউ ঐচ ওনা চাইনাদা মীওই ১০ না শাবা ইন্টরনেস্নেল এক্সপার্টশিংগী টিম অমা থানবগী থৌরাং লৌখত্তুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০২১ গী জন্যুৱারিদা ইনভেষ্টিগেসন হৌরগনি হায়না ৱর্ল্ড বোদি অসিনা কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বরদা লাউথোকখিবনি।

# ইথিওপিয়াগী টিগ্রেদা মীওই মিল্লিয়ন ২.৩ তেংবাংগী পোৎলমশিং মথৌ তারেঃ য়ু এন



নাইরোরি, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

ইথিওপিয়াগী অৱাংথংবা টিগ্রে রিজনগী মফম কয়াদা হৌজিকসু লেপ্তুনা লাল শোক্লরি অমসুং লমদম অদুগী মীওই মিল্লিয়ন ২.৩ নত্রগা অপুনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমরোম তেংবাংগী পোৎলমশিং ফঙহনবা মথৌ তাই হায়না য়ু এন রিপোর্ট অমনা হায়রি।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বর ৪ দা কনফ্লিক্ট হৌখিবদগী টিগ্রেদা লৈরিবা খুদোংচাদবা অমদি অৱা অনাগী ফীভমগী খ্বাইদগী হেন্না মরিক চুল্লবা রিপোর্ট অদু শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা ওনলাইনদা থাগৎখি। চানা থক্লবা পোৎলমশিং ফঙবগী চাং য়াম্না নেম্লে অমসুং পোৎ হুবা অমদি লাকপা ফোইবগী থবকশিং পাকশন্না চত্থরে, সিক্যুরিটি লৈত্রে হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

টিগ্রেদা ফেদরেল গভর্ণমেন্টগী ক্রুপশিংনা প্রেভিন্স অদুবু লৈঙাক্লিবা পোলিটিকেল পার্টি টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) কা লাংথেংনরিবনি। গভর্ণমেন্টনা নবেম্বরগী অথেংবা শরুক্তা লাল মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখিবা ওইরবসু টি পি এল এফকী মায়কৈদগী মখাতানা লাম্থেংনখিগনি হায়না লাউথোরকখি।

ইথিওপিয়াগী নেস্নেল দিফেন্স ফোর্সকী মতুং ইন্না টি পি এল এফকী সিনিয়র মেম্বর মরি শিখ্রে অমসুং মীওই মাপল ফারে। টি পি এল এফ হৌদোকখিবদা য়াওবা পার্টি অসিগী মীওই অমা ফারে হায়না ষ্টেটনা চলাইবা ইথিওপিয়ন ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসননা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখি। হীরম অসিগী মতাংদা টি পি এল এফকী কম্মেন্ট লৌবা ঙমখিদে। টি পি এফ এলগী লিদর দেব্রেটসন গেব্রেমাইকেল, পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী অতৈ মেম্বরশিং অমসুং অৱাংবা থাক্কী হান্নগী মিলিটরি ওফিসর কয়া কন্দাইদা লৈরিবগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রি।

হ্যুমেনিটরিয়ন রিপোর্ট অদুদা য়াওরিবশিং অদু য়ু এন অমসুং গভর্ণমেন্ট এজেন্সিশিংনা হৌখিবা দিসেম্বর লোয়বদা কন্দক্ট তৌখিবা মিসন অনীদা য়ুম্ফম ওই। লমদম অদুগী মীয়াম্না অৱাবগী ফীভম মায়োক্লরি অমসুং টিগ্রেদা লৈবা রেফ্যুজি কেম্প মরিগী মনুংদা অনীগী ফীভম য়েংশিনবা ঙমদনা লৈরি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি। রুরেল এরিয়াশিং রিজনেল কেপিটেল মেকেলে অমসুং সিরে, সেরারোগী অতৈ চীদাইগী শরুকশিংদা লাল শোক্লবগী পাউ ফঙই হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

# নোর্থ কোরিয়াগী কিমনা বাইদেন শীংনরদুনা খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবা য়ু এসনি হায়খ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :

নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উননা হেন্না মতিক ময়াই লৈবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং পুথোক্লবা মহাক্কী লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌখিবগা লোয়নননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাশিংটনগী প্যোংয়াং তাথিবগী পোলিসিশিং অসি হ্বাইট হাউস পায়রিবা মীশক্তুগী মতুং ইন্না অহোংবা লাক্তে। তৌইগুম্বসুং নোর্থ কোরিয়া-য়ু এসকী মরী ফাগৎহনবদা অদুগুম্বা পোলিসিশিং থাদোকপা চঙই হায়না কিমগী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি কে সী এন এনা হায়রি।

প্যোংয়াংনা তাঙনা পাঙথোকপা পার্টিগী কোংগ্রেসতা ৱা ঙাঙলদুনা কিমনা হায়খি, মপানগা মরী লৈনবা ঐখোয়গী পোলিটিকেল থবক থৌরমশিং ঐখোয়গী চাওখৎ খোঙথাংদা চাওনা খুরৌ থাংহল্লিবা ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা য়েক্লবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মিৎয়েং থমগদবনি।

য়ু এসতা কনানা পৱার পায়রিবগে হায়বসি থোইদোক্লা মরু ওইদে। নোর্থ কোরিয়াদা য়েংলিবা মীৎয়েং অদু ফন্দামেন্টেল পোলিসিশিংদা অহোংবা অমত্তা লৈতে। কিমনা অসিগুম্বা ফীভম অসিদা তঙাই ফদনা মহাক্কী লৈবাক্না মনীং তম্বা এর্ন্টি ইমপেরিএলিষ্ট ফোর্সশিংগা মরী হেনগৎহল্লগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।



নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলাইশিং লান্না শীজিন্নরোই হায়না পল্লদুনা কিমনা হায়, লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলাইগী পুক্কে চাওথোকহন্নবা চাওবগী চাং খেন্নবা ৱারহেদশিং থন্নগা লোয়নননা খুৎ হনবদা খুদোংচাবা অমদি য়েক্লবগী থৌওং খঙনবা মাঙজৌননা থুনা খুৎ থাবা ঙম্বগী খুদোংচাবশিং লৈহনবা মথৌ তাই হায়খি।

কিমনা হাইপরসোনিক খুৎলাইশিং, সোলিদ ফ্যুএল ইন্টরকন্টিনেন্টেল বালিষ্টিক মিশাইল (আই সী বি এম)শিং, স্পাই সেটলাইটশিং অমসুং দ্রোনশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী খুৎলাই শুনা শানবসু আপীল তৌখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি ন্যুক্লিয়র সবমেরিন অমা শানবগী রিসার্চ লোইশিল্লক্লে। লৈবাক অসিনা মল্টি ৱারহেদ রোকেট অমসুং অনৌবা মখলগী বালিষ্টিক রোকেটশিংগী সুপরসোনিক গ্লাইদিং ফ্লাইট ৱারহেদশিং য়াওনা মখল মখা কয়াগী অনৌবা খুৎলাইশিং টেষ্ট তৌনবা অমসুং শানবা শেম শারি।

কিমগী ৱাফমশিং অসিগা মরী লৈননা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। বাইদেন কেম্পেইনগী স্পোক্সমেননসু কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে।